# ইক্কাদোরদা ৬.৭ গী চাংদা য়ুহা হাবদা মীওই ১৫ শিরে, ৪০০ হেন্না শোক্লে, বিল্ডিং কয়া অমাঙ অতা থোক্লে

ক্বিটো, মার্চ ১৯ (এজেন্সী):
ইক্কাদোরদা রিক্টর স্কেলদা ৬.৭ গী চাংদা য়ুহা হাবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিরে অমসুং মীওই ৪০০ হেন্না অশোক অপন নঙলে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা ওফিসলশিং পল্লদুনা হায়রি।



যুহা অদুগী ইপিসেন্টরদি মীওই মিলিয়ন অহুল্লোম তারিবা ইক্কাদোরগী দয়াকিল সিটিদগী কিমি ৮০ রোম লাপ্পা লৈবা বলাউগী মনাক্তনি হায়রি।
যুহা অদু থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা থোকখিবনি। ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুগী খা থংবা এল ওরো প্রোভিন্সনা যুহা অদুগী চৈথেং খ্বাইদগী হেন্না নঙখি অমসুং প্রোভিন্স অদুদা মীওই ১২ শিখি। যুহা অদুনা মরম ওইদুনা সিটি কয়াদা বিল্ডিং কয়া অমাঙ অতা থোকখি। বিল্ডিংশিং অমসুং গাড়ীনচিংবশিং খ্বাইদগী হেন্না অমাঙ অতা থোক্লিবা সিটিশিংগী মনুংদা মচালা অমসুং ক্বেনকা য়াওরি।
যুহা অদুগী মতুংদা ইমর্জেন্সি সার্ভিসশিংগী মীওইশিংনা খুদক্তা চঙশিন্দুনা মীয়াম্বু মতেং পাঙখি।
ওফিসলশিংনা যুহা অদুদা অমাঙ অতা কয়াম্না থোক্লবগে হায়বদু থিজিনবা হৌখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট গিলেরমো লাসোনা ইক্কাদোরিয়নশিংদা পুক্নিং ফাথনা অকি অখঙ য়াওদনা লৈননবা আপিল তৌখি। মহাক্না মচালা সিটিগী হোস্পিটাল অমদা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা অশোক অপন নঙলবা মীওই খরা উনখি।
গভর্ণমেন্টগী মতুং ইন্না অশোক অপন নঙলবা মীওই ২৫০ হেন্না পসাজে টাউনদা ট্রিটমেন্ট তৌখি। ইল ওরোগী টাউন অসিদা হোস্পিটলাইজ তৌরিবা মীওই অয়াম্বা কা হেন্না অশোক অপন য়াওদবনা মরম ওইদুনা হোস্পিটালদগী য়াম্না থুনা দিসচার্জ তৌখি। কন্না নিক্লকপদগী ঐখোয় যুমদগী চেন্থোক্লুখি হায়না মচালাদা লৈবা এক্সোন টোবা কৌবা মীওই অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।
ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবদা যুহা অদুনা মরম ওইরগা মফম কয়াদা লেন্দ স্লাইদ থোক্তুনা লম্বীশিং ব্লোক তৌখি। যুম, এদুকেস্নেল বিল্ডিং অমসুং হেল্‌ঠ সেন্টর কয়া অমাঙ অতা থোকখি। অজুৱা প্রোভিন্সকী ক্বেনকা সিটিদা ৱাল অমা নিংখায়রগা কারদা তাশিল্লকপদগী মীওই অমা শিখি। জম্বেলা ঈথৎতা সেক্যুরিটি কেমেরা টৱার অমা তুথরকপদগী নন্দুনা মীওই অহুম শিখি। মফমশিং অসিদা নত্তনা মনাবি, মন্টা অমসুং কেপিটেল ক্বিটো য়াওনা লৈবাক অদুগী অতৈ সিটিশিংদসু যুহা অদুনা নিকহনখি।
ইনৌ নৌবা যুহা অদু কুমজা ২০১৬ দা থোকখিবা মীওই ৭০০ রোম শিহনখিবা অমসুং মীওই লিশিং কয়া শোকহনখিবা শাথিরবা যুহা অমগী মতুংদা ইক্কাদোরদা থোকপা খ্বাইদগী শাথিবা যুহানি হায়রি।

# মেক্সিকোদা গনমেনশিংনা লান্মীশিংদা এম্বুশ তৌবদা লান্মী ২ য়াওনা মীওই ৭ শিখ্রে

মেক্সিকো সিটি, মার্চ ১৯ (এজেন্সী):
মেক্সিকোগী খা নোংচুপ থংবা লমদমদা লৈবা মিলিটরি য়ুনিট অমদা গনমেনশিংনা হৌখিবা ইরাইদা চথুখিবা এম্বুশতা লান্মী অনী অমসুং ক্রিমিনেলশিংনি চিংনবা মীওই মঙা শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।



থৌদোক অদুদা তোঙান তোঙানবা ফিভমশিংদা অশোক অপন কয়াসু থোকখি হায়রি।
ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা গুরেরো ষ্টেটকী চীংগী লমদমদা লৈবা এল পেস্কাদো টাউনদা নাকল অনীগী মরক্তা মুক্লবগী থৌদোক থোক্লকখিবনি। মফম অদু ক্রিমিনেল গ্রুপশিংগী মরক্তা তোইনা খুৎ থোক্লে হায়রি।
এজেন্সিনা আর্মিগী রিপোর্ট পল্লদুনা হায়রিবদি গাড়ী অনী তোংদুনা লাকখিবা খুৎলায় পায়বা সিভিলিয়ন ১৮ রোম্না চথুখিবা এটেক অদুগী টার্গেটতি মিলিটরি য়ুনিট অমনি। মখোয়না মফম অদুদা থোমজিল্লকখিবগা লোয়ননা অতৎ অখম লৈতনা নোংমৈ কাপ্পা হৌরকখি। আর্মিশিংনসু এম্বুশ চথুরিবা ক্রিমিনেলশিং অদুদা হন্দুনা নোংমৈ কাপখি।
নাকল অনীগী লান অদুদা গনমেন মঙা অমসুং লান্মী অনী শিখি অমসুং মীওই অনীনা অশোক অপন নঙখি। লোকেল ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না এটেক্করশিং অদু মেক্সিকোগী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা দ্রগ কার্টেলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লাফ ফামেলিয়া নিকোকানাগী মেম্বরশিংনি।
পনবা য়াবদি, লূচিংবা কয়া দিটেন তৌখিবদগী দ্রগ কার্টেল অসিগী মতিক ময়াই হন্থরকপগী ফিভম অমা উবা ফংখিবনি। তৌইগুম্বসুং কার্টেল অসি হাৎন শুনবগী থৌদোক কয়াদা তোইনা চেন্নরকপগা লোয়ননা নৌনা অমুক শেমগৎ শাগৎপগী থবকসু কনখৎলকখি। ক্রিমিনেল ওর্গনাইজেসন লোস টেকিলেরোস্না লমদম অদুবু দোমিনেট তৌনবা হোৎনরকপদা লা ফামেলিয়া নিকোকানাগা কন্না মুক্নদুনা লাকখি। মখোয়না লমদম অদুদা কিদনেপ্পিং, এক্সটোর্সন অমসুং দ্রগ ট্রাফিক্কিংনচিংবা চথুদুনা লাকখি।
দ্রগ কার্টেলশিংনা গঞ্জা অমসুং কানিনচিংবা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরকপদা অমগা অমগা লান শোক্নবা অমসুং দ্রগ ট্রাফিক্কিংনা মরম ওইদুনা মেক্সিকোগী খ্বাইদগী লাইরবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা গ্বেরেরো অসি খ্বাইদগী হেন্না অৱাবা নঙলবা ষ্টেট অমা ওইরকখি।

# য়ুএস বি-১বি ষ্ট্রেটেজিক বোম্মর জোইন্ট দ্রিল য়াওনবা সাউথ কোরিয়াদা থুংখ্রে

সিওল, মার্চ ১৯ (এজেন্সী):
পিওংয়াংনা অমুকসু ইষ্ট সীদা বেলেষ্টিক মিসাইল অমা কাপশিনখিবগা ইরোয়ননা য়ুএসকী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় পুবা ঙম্বা বি-১বি ষ্ট্রেটেজিক বোম্মর অমা জোইন্ট এক্সর্সাইজতা শরুক য়ানবগীদমক নোংমাইজিং নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াদা থুংখ্রে। ষ্ট্রেটেজিক বোম্মর অদু হান্না দিপ্লোই তৌখিবা মতুং শুপ্নগী নুমিৎ ১৬ নি কান্নরগা সাউথ কোরিয়াদা অমুক পাইরকখিবনি হায়না সাউথকী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়রি।



মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়রি, মদুদি জোইন্ট দ্রিলশিং অদু মার্চ ১৩ দগী চথুরকখিবা ফ্রিদম সিল্ড এক্সর্সাইজ কী মনুং চন্না কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী নোংথক্তা পাঙথোকখি। জোইন্ট দ্রিল অদুদা সাউথ কোরিয়াগী এফ-৩৫এ ষ্টেল্‌থ ফাইটর জেটশিং অমসুং য়ুএসকী এফ-১৬ ফাইটর জেটশিংসু শরুক য়াখি।বি-১ বি বোম্মর অমা মমাঙদা মার্চ ৩ দা পেনিন্সুলা অদুদা দিপ্লোই তৌখি হায়না য়োনহাপ নুংজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।
নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা মিলিটরিগী পাঙ্গল উৎপগী থৌওং অমনি হায়না লৌনরিবা দিপ্লোইমেন্ট অদু নোর্থ কোরিয়ানা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা ইষ্ট সীদা সোর্ট-রেঞ্জ বেলেষ্টিক মিসাইল অমা কাপশিনখিবা মতুংদা পাঙথোকখিবনি।
অমরোমদা, মদু পিওংয়াংনা ফাসোং-১৭ ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল (আই সি বি এম) অমা কাপখিবা মতুং নুমিৎ হুম্নি লৈরগা পাঙথোক্লিবনি।
দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়রি, মদুদি জোইন্ট এয়র দ্রিলসশিং অদুনা সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুএস এয়র ফোর্সশিংগী অপুনবা ঙাকশেলগী ফিরেপ অমদি পাঙ্গল অদু উৎপগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী পান্দমদি য়েক্লবশিংনা কিহল্লকপগী মায়োক্তা দিটরেন্সকী থৌরাংশিং ফগৎহন্নবা হোৎনরি হায়বদু উৎলি।
অমরোমদা, কম্বাইন্দ দ্রিল অদুনা মীচং লৈবাকশিং অসিগী ইন্টর ওপরেবিলিটি অমসুং লান মতমগী কেপেবিলিটিশিং মতম চুপ্পদা ফগৎহন্নবা হোৎনৈ হায়বদু উৎলি।
সাউথকী মিলিটরিগী মতুং ইন্না হৌজিক চথুরিবা সাউথ কোরিয়া-য়ুএস মিলিটরি এক্সর্সাইজ অদুবু য়ানিংদবা উত্তুনা নৌহৌনন্না চথুরকপগী কায়হৌবগী থৌওং অমদা নোর্থ কোরিয়ানা ইষ্ট সী তম্না অতেনবা রেঞ্জকী বেলেষ্টিক মিসাইল অমা কাপখি।

# রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিননা ওক্যুপাইদ মরিওপোলদা সর্প্রাইজ ভিজিট তৌখ্রে

মোস্কো, মার্চ ১৯ (এজেন্সী):
রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা লাননা অমাঙ অতা চাওনা থোকহল্লবা মরিওপোল পোর্টতা সর্প্রাইজ ভিজিট পাঙথোকখ্রে হায়না ষ্টেট মেদিয়া রিপোর্টনা হায়রি।
মদু যুক্রেনগী লান অদু হৌখিবদগী রসিয়ন লিদর অসিনা যুক্রেনগী ওক্যুপাইদ দোনবাস রিজনগী টেরিটরিশিংদা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি। খোঙচৎ অদু পুটিননা থাংজ নুমিত্তা হান্না লাউথোকপা তৌদনা ক্রিমিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎখ্রবা মতুংদা পাঙথোক্লিবনি। ক্রেমলিনগী লিদর অসিনা রসিয়ানা পেনিন্সুলা অদুবু যুক্রেনদগী লৌশিনখিবা চহী মাপন মপুং ফারকপগা মরী লৈননা খোঙচৎ অদু পাঙথোকখিবনি।
অমরোমদা, খোঙচৎ অদু ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্ট (আই সি সি) না রসিয়ন লিদর অসিবু ফাননবা এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইস্যু তৌখিবা মতুং নুমিৎ নীনি কান্নরগা পাঙথোকখিবনি।
আই সি সিগী ৱারেন্ট অদুগী মতাংদা পুটিননা হৌজিক ফাওবদা পব্লিক কম্মেন্ট অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রবসু রসিয়ানা লৈবাক অসিগী শরুক্কি হায়না ক্লেম তৌরিবা যুক্রেনগী টেরিটরি অদুদা খোঙচৎ কয়া পাঙথোক্লিবা অদু আই সি সিগী এরেষ্ট ৱারেন্ট অদুবু মহাক্না করিসু থৌশাদে হায়বদু উৎপগী থৌওংনি হায়না লৌনরি।
রসিয়ানা যুক্রেনগী কেপিটেল কিভ কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা ওইনা মীৎয়েং থল্লকখিবদগী নাকল অনীগী মরক্তা খ্বাইদগী মীশি মীনা থোক্লা অমসুং খ্বাইদগী মতম শাংনা শোক্লখিবা লান অমদা মরিওপোল সিটি রসিয়নশিংগী খুৎতা তাখিবনি। ওর্গনাইজেসন ফোর সেক্যুরিটি এন্দ কো ওপরেসন এন্দ য়ুরো (ও এস সি ই) না হায়রি, মদুদি রসিয়ানা মেটর্নিটি হোস্পিটাল অমদা বোম্মিং তৌখিবদু ৱার ক্রাইমনি। পুটিননা হেলিকোপ্টর তোংদুনা মরিওপোলগী খোঙচৎ অদু পাঙথোকখি হায়না ক্রেমলিননা ফোঙদোরক্লি।

# য়ুএসকী ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট অমদগী রেদিও এক্তিব ৱাটর গেলোন ৪০০,০০০ লিক ওইখ্রে

ৱাশিংতন, মার্চ ১৯ (এজেন্সী):
য়ুএসকী মিট ৱেষ্টর্ন ষ্টেট মিনেসোটাগী মোন্টিসেলোদা লৈবা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট অমদগী রেদিও এক্তিব ৱাটর গেলোন ৪০০,০০০ রোম লিক ওইখ্রে হায়না রেগ্যুলেটরশিংনা হন্দক্তা ফোঙদোকখ্রে।
এজেন্সিগী রিপোর্টনা মিনেসোটা পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল এজেন্সি (এম পি সি এ) না চয়োল অসিগী অঙনবদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা হায়, ষ্টেট এজেন্সিশিংনা এক্সেল ইনর্জিগী ট্রিটেয়ম য়াওরবা ঈশিং শেঙদোক্লিবা হোৎনরিবশিং মোনিটর তৌরি।



কন্টামিনেট তৌরবা ঈশিং অদু কম্পেনি অদুগী মোন্টিসেলো ন্যুক্লিয়র-জেনরেটিং প্লান্টদা দিটেক্ট তৌখিবনি। রেদিও এক্তিব ৱাটর লিক ওইবগী ৱাফম অদু এক্সেল ইনর্জিনা মিনেসোটা দ্যুটি ওফিসর অমসুং য়ুএস ন্যুক্লিয়র রেগ্যুলেটরি কম্মিসনদা কুমজা ২০২২ গী নবেম্বরগী অথেংবা শরুক্তা রিপোর্ট তৌখি।
রুটিন ওইবা দাউন ৱাটর মোনিটরিং মনুংদা মহৌশাগা মান্নদবা রিজল্টশিং থেংনবদগী দ্যুটি ওফিসর অমসুং রেগ্যুলেটরি কম্মিসনদা কম্পেনিনা রিপোর্ট তৌখিবনি।
রেদিও এক্তিব ৱাটর লিক ওইবগী পাউ অদু ফোঙবদা থা মরি চোন্থবদগী পব্লিক সেফতি অমসুং ট্রান্সপরেন্সিগী মতাংদা নুংনাংনবা ফোঙদোক্নরকখি।
এম পি সি এনা ন্যুজ রিলিজ অমদা হায়খি, মদুদি লিক অদু লেপহনখিবগা লোয়ননা পোৎশকশিং অদু মিসিসিপি তুরেল য়ৌখিবা লৈতে নত্ত্রগা মদুনা থক্নবা ঈশিংগী হৌরকফমশিংদা কন্টামিনেসন থোকহনখিবা লৈতে।
প্লান্ট অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা থক্নবা ঈশিংগী ৱেলশিংদা রিস্ক থোকহনবগী খুদম চাংদম অমত্তা হন্দক্কী মতাং অসিদা ঐখোয়না উবা ফঙদে হায়না রিলিজ অদুদা পনখি। ট্রিটিয়ম অসি মহৌশানা এটমোস্ফিয়রদা পুথোকপা হাইদ্রোজেনগী রেদিও এক্তিব আইসোটোবনি। মসি ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টশিং ইলেক্ট্রিসিটি পুথোকপগী বাই প্রদক্ট অমনি।
এক্সেল ইনর্জিগী মতুং ইন্না লিক ওইরিবদু কম্পেনি অসিগী মোন্টিসেলো ফেসিলিটিদা লৈবা বিল্ডিং অনীগী মরক্তা পুরিবা ৱাটর পাইপ অমদগীনি। হৌজিক্তি মদু লেপহনখ্রে। এক্সট্রেসন ৱেলশিং শীজিন্নরগা রেদিও এক্তিব ৱাটর কন্টামিনেসন থোক্লবা গ্রাউন্দ ৱাটর চিংথোকপগা লোয়ননা ৱেল ২০ হেনবগী খুথাংদা মসিনা গ্রাউন্দ ৱাটর প্লম মোনিটর তৌরি।
কন্টামিনেসন থোক্লিবদুবু শেংদোকপগী থবক থক্নবা ঈশিংগী সপ্লাইশিংদা রিস্ক অমত্তা থোকহন্দনা নত্ত্রগা য়ারিমখৈ রিস্ক থোকহন্দনা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবা ঐখোয়না হোৎনরি হায়না কম্পেনিনা মখা তাখি।

# ইমরান খান অমসুং পি টি আইগী অতৈ লিদরশিং টেরর চার্জশিংদা বুক তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ১৯ (এজেন্সী):
করপসনগী কেসকী হিয়ারিং অমা চথুদ্রিঙৈগী মমাঙদা কোর্টকী মপানদা অমাঙ অতা কয়া থোকহনবা, সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা এটেক তৌবা অমদি জুদিসল কমপ্লেক্সকী মপানদা ইরাং থোকহনবগীদমক্তা পাকিষ্টানি পুলিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান অমসুং মহাক্কী পার্টি পি টি আইগী অতৈ লুচিংবা কয়াগী মায়োক্তা টেররিজম কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।
টোকাসানা কেসকা মরী লৈননা চখ্নগদৌরিবা মতম শাংনা ঙাইরক্লবা হিয়ারিংদা শরুক য়ানবগীদমক্তা ইমরান খাননা লাহোরদগী লাক্লগা ইস্লামাবাদতা থুংখিবা থাংজ নুমিত্তা ইস্লামাবাদ জুদিসল কমপ্লেক্সকী মপানদা পুলিস অমদি পার্টি ৱার্করশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখি।
পাকিষ্টান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) গী ৱার্করশিং অমসুং পুলিসকী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবা অদুদা সেক্যুরিটি পর্সনেল ২৫ হেন্না অশোক অপন নঙখিবগা লোয়ননা এদিস্নেল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ জাফর ইগবালনা কোর্টকী হিয়ারিং অদু মার্চ ৩০ ফাওবা য়ৈথোকখি।
কেস অদু ফারবা পিটিআইগী ৱার্করশিং অমসুং ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা পার্টিগী লিদরশিংগী মায়োক্তা রেজিষ্টর তৌখিবনি।
জিও ন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইস্লামাবাদ পুলিসনা ফাইল তৌখিবা এফ আই আর অদুদা পি টি আইগী লিদর ১৭ কী মিংশিংসু য়াওখি।
এফ আই আর অদুনা হায়রি, মদুদি ৱার্করশিংনা পুলিস চেক পোষ্ট অমসুং জুদিসল কমপ্লেক্স অদুগী মেন গেট থুগায়খি। মৈ থাবা, নুংনা থাবা অমসুং জুদিসল কমপ্লেক্স বিল্ডিং অদুদা নম্ফুদা চঙশিন্নবা হোৎনবগী মরালদা মীওই ১৮ ফাখি।
পি টি আইগী ৱার্করশিং অদুনা পুলিসকী গাড়ী অনী অমসুং মোটোর সাইকল তরেৎ মৈ থাদোকখিবগা লোয়ননা ষ্টেসন হাউস ওফিসর (এস ঐচ ও) গী ওফিসল গাড়ী থুগায়খি।

# অফঘান পুলিসনা দ্রগ ট্রাফিক্কর ৪ ফাখ্রে

কন্দহার, মার্চ ১৯ (এজেন্সী):
অফঘানিষ্টানগী খা থংবা কন্দহার প্রোভিন্সতা দ্রগ ট্রাফিক্কিংদা চেন্নবা মীওই মরি অফঘান পুলিসনা ফাখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎকী ষ্টেট মেদিয়াগী রিপোর্টনা হায়রি।
স্মগ্লরশিং অদুনা থাংজ নুমিত্তা প্রোভিন্সিএল কেপিটেল কন্দহার সিটিদগী হেরোইন অমসুং হেরোইন শাবদা শীজিন্নবা সবষ্টেন্স য়াওনা লোনা য়াদবা দ্রগশিং পুনবা হোৎনখিবনি।
নুমিৎ অদুদা গাড়ীশিং রুটিন ওইনা চ্যেক তৌরিবা পুলিসনা অথিংবা থম্বা পোৎলমশিং অদু থেংনখি অমসুং সস্পেক্ট মরি দ্রগ ট্রাফিক্কিংগী চার্জতা ফাখি।
বাক্তর ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, অফঘান ক্যের টেক্কর এদমিনিষ্ট্রেসন্না পোপ্পি পাম্বী থাবদা অমদি প্রোসেস তৌবদা অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা মতম অমদা পাক শন্না পোপ্পি থারম্বা লৈবাক অদুদগী ইল্লিগেল দ্রগকী প্রোব্লেম কোকহন্নবা লৌখৎফম থোকপা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়না লাউথোকখিবনি।

# মোর্টার মাইন পোকখায়বদা অঙাং অনী শিরে সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মিলিটেন্টশিং হাৎখ্রে

কাবুল, মার্চ ১৯ (এজেন্সী):
অফঘানিষ্টানগী ইষ্টর্ন লোগার প্রোভিন্সতা মমাঙদা শোক্লখিবা লানশিংদা লৈহৌবা মোর্টার মাইন অমা পোকখায়রকপদগী অঙাং অনী শিখ্রে অমসুং অনীনা অশোক অপন নঙলে হায়না থাংজ নুমিত্তা ষ্টেটনা চল্লাইবা বাক্তর ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।



থৌদোক অদুগী মতাংদা ন্যুজ এজেন্সি অসিনা হায়রিবদি ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা লোগার প্রোভিন্সকী কেপিটেল পুল-ই-আলম সিটিগী অল্টামোর এরিয়াদা অঙাং কাঙবু অমনা শান্নপোৎ মানবা দিভাইস অমা লৈরম্বা থেংনখি অমদি মখোয়না মদুবু শান্নবা হৌরকপদগী খঙহৌদনা দিভাইস অদু পোকখায়রকখিবনি। পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মফম অদুদা অঙাং অনী খুদক্তা শিখি অমসুং অতৈ অনীনা অশোক অপন নঙখি। হৌখিবা চয়োলদা অফঘানিষ্টানগী খা থংবা কন্দহার প্রোভিন্সতা থোকখিবা মান্নবা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা অঙাং মরি অশোক অপন নঙখিবনি।
অফঘানিষ্টান অসি মালেমদা মাইন কন্টামিনেসন খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনরি। মমাঙদা চহী ৪০ চুপ্পা শোক্লখিবা লানশিং অমদি সিভিল কনফ্লিক্টশিংগী মনুংদা ফুল্লম্বদগী পোকখায়খিদ্রিবা দিভাইসশিং অঙাংশিংনা শান্নবদা থেংনরুবদগী চহী খুদিংগী ওইনা লৈবাক অসিদা অঙাংশিংনা মশিং হেন্দুনা শিরিবা মী মশিং অসি দজ্জন কয়ানি হায়রি।
অমরোমদা, ইরাই নুমিৎকী অহিংদা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা বালখ প্রোভিন্সতা অফঘান সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) টেরর গ্রুপকী লোৎফমশিংদা রেইদ চথুখিবদা মিলিটেন্ট কয়া শিখ্রে হায়না অফঘান ক্যের টেক্কর এদমিনিষ্ট্রেসনগী চীফ স্পোক্সমেন জাবিহুলা মুজ াহিদনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
রেইদ অদু অফঘানিষ্টানগী নোর্দন বালখ প্রোভিন্সকী প্রোভিন্সিএল কেপিটেল মাজর-ই-সারিফ সিটিগী পুলিস দিষ্ট্রিক্ট মঙা, তরুক অমসুং নিপানদা চথুখিবনি। মুজাহিদনা ওপরেসনশিং অদুদা আই এস মিলিটেন্ট মশিং কয়া শিখিবগে হায়বদুদি চপ চানা পনখিদে।
ওপরেসনশিং অদুদা সেক্যুরিটি পর্সনেল অমা অশোক অপন নঙখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ওপরেসনশিং অদুদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিংসু রিকোভর তৌখি।

# সাইক্লোন ফ্রেদিনা মলাৱিদা শিহনবা মী মশিং ৪৪৭ শুরে

লিলোংৱে, মার্চ ১৯ (এজেন্সী):
মলাৱিগী খা থংবা শরুক্তা সাইক্লোন ফ্রেদিনা শিহনখিবা মী মশিং ৪৪৭ শুরে অমসুং ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রবা মী মশিংনা ৩৬২,৯২৮ শুরে হায়রি।
এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এফিয়র্স (দি ও দি এম এ) না মশিংশিং অসি থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা ফোঙখিবা তরুকশুবা অপদেটতা কনফার্ম তৌখি।
অপদেট অদুগী মতুং ইন্না মীওই ৯১৮ অশোক অপন নঙখি অমসুং মীওই ২৮২ না হৌজিক ফাওবা থীবা ফঙদ্রি। মলাৱি দিফেন্স ফোর্স (এন দি এফ), মলাৱি পুলিস সর্ভিস অমসুং রেস্ক্যু টিমশিংগী ওপরেসনশিং লেপ্তুনা চথুরি। দি ও দি এম এগী অপদেট মতুং ইন্না এন দি এফনা রিলিফ আইটেমশিং, মেদিকেল সপ্লাইশিং অমসুং পর্সনেলশিংনা লম্বীদা চত্তুনা য়ৌশিনবা ঙমদবা মফমশিংদা এয়র লিফট তৌবগী থবকসু চথুরি।
সাইক্লোন অদুনা ফিভম থীনা শোকহনখিবা নোংপোক থংবা দিষ্ট্রিক্টশিং জোম্বা অমসুং মচিঙ্গাদা চত্তুনা য়েংশিল্লুরবা মতুং থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা টেলিভিজনগী খুথাংদা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙখিবা মলাৱিগী প্রসিদেন্ট লাজরস চাকৱেরানা হায়খি, মদুদি মহাক্না সাইক্লোন অদুগী চৈথেং নঙলবা দিষ্ট্রিক্টশিং অমদি সিটিশিংদা ষ্টেট ওফ দিজাষ্টর লাউথোকখ্রবা মতুং ফোরেন মিশন, গভর্ণমেন্ট, লোকেল অমসুং ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজেসন কয়া অমসুং কম্পেনি অমদি ইন্দিভিজুএল কয়ানা মহাক্না তৌখিবা সপোর্টকী আপিল অদুদা রেস্পোন্দ তৌরকখি।
মলাৱিগী প্রসিদেন্ট অসিনা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা শোকহল্লবা মফমশিং অদুগী অমদি অৱাবা নঙলবশিং লৈহল্লিবা কেম্পশিংগী ফিভম অদুক্কী মতিক ফৎত্রে হায়রদুনা হ্যুমেনিটরিয়ন সপোর্ট পীনরক্নবা আপিল তৌখিবনি। লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ এদুকেসন্না খা থংবা লমদম অদুদা স্কুলশিং থিংজিল্লিবদু মার্চ ৩১ ফাওবা শাংদোকখ্রে। লমদম অদুগী স্কুল ২৩০ সাইক্লোন অদুনা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রবা কম্যুনিটিশিংগী শৈদাংফম কেম্পশিং ওন্থোকখিবগা লোয়ননা এদুকেসন মিনিষ্ট্রিনা স্কুলশিং থোং লোনবগী মতম শাংদোকহনখিবনি।
সাইক্লোন ফ্রেদি হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদগী লৈবাকপোকপা ফাওবা মলাৱিগী খা থংবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা শাফু কন্না শিৎচিল্লকখিবনি।

# উংখৎনবা মরক্তা গাজাদগী সাউর্দন ইজরেলদা রোকেট কাপশিনখ্রে

জেরুসালেম, মার্চ ১৯ (এজেন্সী):
গাজাদগী কাপ্লকখিবা রোকেট অমা সাউর্দন ইজরেলগী অহাংবা মফম অমদা তাশিল্লক্লে হায়না ইজ রেল্লি মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।
ইজরেল্লি মেদিয়া রিপোর্টশিং পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, খুদক্কী ওইনা অশোক অপন থোকপগী অমদি এটেক অদুগী মতাংদা ক্লেম তৌরকপগী রিপোর্টশিং ফঙখিদে।
ইজরেল্লি অমসুং পলেষ্টিনি-য়নশিংগী মরক্তা কন্না উংখৎনরিঙৈদা রোকেট এটেক অদু চথুখিবনি। চহী অসি হৌরকপদগী ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা পলেষ্টিনিয়ন ৮০ হেন্না হাৎখ্রে অমসুং পলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্টশিংগী এটেকশিংদা ইজরেল্লি ১৪ শিখ্রে।
চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইজরেল্লি মিলিটরিনা ৱেষ্ট বেঙ্ককী জেনিন সিটিদা চথুখিবা রেইদ অমদা টিনেজর অমা য়াওনা পলেষ্টিনিয়ন মরি শিখি হায়না পলেষ্টিনিয়ন হেল্‌ঠ ওফিসলশিংনা হায়রি।
রেইদ অদুগী মতুংদা পলেষ্টিনিয়ন জিহাদনা ইজরেলগী মায়োক্তা লম্মন খুমগনি হায়না লাউথোকখি। মুস্লিমশিংগী শেংলবা থা রামজান অমসুং জিয়ুশিংগী চয়োল অমা চুপ্না চখ্নগদবা পাস ওভর হোলিদে এপ্রিলদা ফাঙজিন্নবগা লোয়ননা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্কনি হায়না থাজনরি।

# দোনাল্ড ট্রম্পনা মহাক মথং চয়োলদা ফারবা য়াই হায়না থাজরি

ৱাশিংতন, মার্চ ১৯ (এজেন্সী):
য়ুএসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মহাক মথং চয়োলগী লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফারবা য়াই হায়না থাজবগা লোয়ননা মহাক্কী সপোর্টরশিংনা পাক্তক্নুনা প্রোটেষ্ট চখনবা আপিল তৌখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।
ট্রুথ সোসলদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা য়ুএসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা ইখি, মদুদি মেন হাটন দিষ্ট্রিক্ট এটৌনিগী ওফিসতগী থোক্লকখিবা ইল্লিগেল লিকশিংনা মহাক মথং চয়োলগী লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফাগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরি।
ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা ট্রম্পনা মহাক্কী সপোর্টরশিংদা পাক শন্না প্রোটেষ্ট চখনবা খঙহনখি। কুমজা ২০১৬ গী প্রসিদেন্সিএল কেম্পেইন মনুংদা এদল্ট ফিল্ম ষ্টার অমদা শেল পীদুনা মহাকপু তুমিন্না লৈহনখি হায়বা ৱাফম অমগা মরী লৈননা ট্রম্পনা বিজিনেস রেকোর্দশিং শেমদোক্লবা হোৎনখিব্রা হায়বগী মতাংদা মেনহাটন দিষ্ট্রিক্ট এটৌনিগী ওফিসনা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথুরকখি।
ট্রম্পকী উকিলনা হায়রিবদি মহাক প্রোব অদুদা শরুক য়ানবগী থৌরাং লৈতে। কুমজা ২০১৭ গী জনুৱারীদগী ২০২১ গী জনুৱারী ফাওবা য়ুএসকী প্রসিদেন্ট ওইনা সর্ভ তৌখিবা রিপব্লিকান অসিনা ইনভেষ্টিগেসন অদুবু অশোয়বশিং থীদুনা অৱাবা পীনবা হোৎনবনি হায়রদুনা কন্না চৈ থাংখি।
হৌজিক্কী কেস অদু মশাগী চহী ৭৬ শুরবা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা মায়োক্নরিবা কেস কয়াগী মনুংদা অমনি। হৌজিক ফাওবদি মহাক কেস অমত্তগা হৌনবী মতুং ইন্না চার্জ তৌবা লৈত্রি অমসুং মহাক্না কেস খুদিংমক্তা অরানবা তৌখিবা অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোক্তুনা লৈরি।